

## ইজরেল – হমাসকী সিজ ফায়ার কায়খ্রে

দোহা, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

চহী ২ ফাজিল্লক্লবা ইজরেল অমদি হমাসকা গাজাদা শোক্লখিবা লান লোইশিন্নবগীদমক কটরদা চত্থখিবা সিজফায়রগী ৱারী অমুকসু মায় পাকপা ঙমখিদ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইজরেল অমদি হমাস অনীগী মরক্তা হৌখিবা থাদসু তাঙ্কক ৩ থোক্লা সিজফায়র তৌননবগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবনি। অদুবু অহুমশুবা তাঙ্কক য়ৌরকপদা নাকল অনীগী মরক্তা য়ান্নবা ঙমদবদগী সিজফায়র তৌনদনা লাকখিবনি হায়রি।

## ‘ইলোন মাস্ক য়ু এসতা মীখল থেংনবা য়ারোই’



ৱাশিংটন, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা বিলিনিয়র ইলোন মাস্ক অমেরিকাদা মীখল থেংনবা য়ারোই। মরমদি মহাক অফ্রিকাদগী হৌরকখিবা মীওই অমনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

ইলোন মাস্কগী মায়োক্তা দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি হন্দক ইলোন মাস্কনা অমেরিকা পার্টি হায়না খঙনবা পোলিটিকেল পার্টি অমা শেমগৎলুবদগী ফোঙদোরকখিবনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক ইলোন মাস্কনা অনৌবা পার্টি শেমগৎপগা লোয়নননা অমেরিকাগী অনৌবা শকলোন অমা হোংদোকপা ঙম্নবগীদমক মীওই কয়া পার্টি অসিদা য়াওহন্নবসু হোৎনখ্রে হায়রি।

# চহী ২ ফাজিল্লক্লবা গাজাগী লানদা ইজরেলগী লান্মীনা হাৎখিবা পেলিষ্টিনিয়ানগী মশীং পুন্না ৫৭,৪১৮ শুখ্রে





গাজা, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

চহী ২ ফাজিল্লক্লবা গাজাগী লানদা ইজরেলগী লান্মীনা হাৎখিবা পেলিষ্টিনিয়ানগী মশীং পুন্না ৫৭,৪১৮ শুখ্রে। লোয়নননা লান অসিদা অশোক অপন নংখিবা মীগী মশীংনা পুন্না ১,৩৬,২৬১ রোম হেনখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

তাঙ্কক কয়া থোক্লা গাজাগী লান লোইশিন্নবা হোৎনদুনা লাকখ্রবসু ঙসি ফাওবা গাজাগী লান লোয়শিনবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লেপ্পা লৈতনা অকনবা প্রেসর পীরকপদগী লান লোইশিন্নবগী মতাংদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেতানয়াহু অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা ৱারী শান্ননবা ৱাশিংটন তন্না চৎখ্রে।

নাকল অমরোমদা, ইজরেলগী ওফিসিয়েলশিং অমদি হমাসকী লুচিংবশিংগা কটরদা সিজফায়রগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবা মায় পাকপা ঙমখিদ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি। অদুবু অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চয়োল অসিগী মনুংদা গাজাদা সিজফায়র চৎনরকপা য়ানা লৈরে হায়না লাউথোরকখ্রে। করিগুম্বা লৈবাক অনীগী মরক্তা সিজ ফায়ার চৎনরক্লবদি হৌজিক হৌজিক হমাসকী মখুত্তা ফাদুনা লৈরিবা ইজরেল মচা ২৮ থাদোরকপদা য়ান্নরকপা য়াই। লোয়নননা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্নদি হমাসনা ফাদুনা লৈরিবা ইজরেল মচা ২৮ অদুগী মনুংদা শুপ্পগী ১০খক্তা হিংলি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

সিজ ফায়র চৎননবগী ৱারী শান্নরিঙৈ মরক অসিদা ইজরেলগী লান্মীনা গাজাদা লান্দাবদি লেপ্পা লৈত্রি। হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ইজরেলগী লান্মীশিনা গাজাদা এয়রষ্ট্রাইক চত্থদুনা লান্দাবদা মীওই ৩৮ লোম শিখ্রে হায়রি।

## ইজরেলদা সরেন্দর তৌরোই হায়না হেজবুলাগী চীফ নইম কাসিমনা অকিবা লৈতনা লাউথোরকখ্রে

বেরুট, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

ইরান, হমাস, হেজবুলাগা হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী লান শোক্লদুনা লাকখিবা ইজরেল ঙসিসু লান তৌবগী পেনবা নাইদ্রি। ইজরেলনা চত্থরক্লিবা থৌওং অসিদা পেন্দ্রবা হেজবুলাহগী চীফ নইম কাসিমনা কৈদৌনুংদা ইজরেলদা সরেন্দর তৌরোই হায়না অকিবা লৈতনা লাউথোরকখ্রে।


পনবা য়াবদি, ইজরেল অমদি হেজবুলা অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা লান শোক্লরমখিবদু সিজফায়র চৎনদুনা থা খরদি লেপখ্রবনি। অদুবু নৌহৌননা ইজরেল অমদি হেজবুলা অনীগী মরক্তা এটেক চত্থবা হৌনরকখিবনি। থৌওংশিং অসিদগী হেজবুলাগী চীফ নইম কসিমনা ইজরেলদা সরেন্দর তৌরোই, লান শোক্লখিগনি লাউথোরকখিবনি হায়রি।

## অন্তার্টিকাগী উন মরক্তা ফুমদুনা লৈরম্বা বিলিয়ন বেরেল ৫১১ ফংবদগী অনৌবা লান থোক্লক্কদৌরি

মোস্কো, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

অন্তার্টিকাগী উনগী চীংজাওগী মরক্তা রশিয়াগী সাইন্টিষ্টশিংনা য়াল্লবা ব্লেক গোল্ড হায়না খঙনরিবা থাও চাউরাক্লা বিলিয়ন বেরেল ৫১১লোম ফংবা ঙমখিবদগী মালেমদা অনৌবা লান অমা থোক্লক্কদ্রা হায়বগী অচৌবা চিংনবা লৈরে হায়না এক্সপার্ট কয়ানা ফোঙদোরকখ্রে।

অন্তার্টিকাদা ফংলিবা থাও অসি সাউদি অরাবিয়াদা লৈরিবা থাওদগী



শরুক ২ হেল্লি হায়রি। অন্তার্টিকাগী উন মরক্তা লৈরিবা য়াল্লবা থাওশিং অসি লৌথোক্লবগীদমক মালেমগী শেঞ্জাও পায়রবা লৈবাক কয়ানা মিতারকপা য়াবগী অচৌবা মরম কয়া অমা লৈরি। অন্তার্টিকাগী উন মরক্তা ফংবা ঙমখিবা থাওশিং অসি সমুদ্রগী ইরোম্নুংদা লৈবা থাওনি। মরম অদুনা মফম অসি হৌজিক হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়ানা মখোয়গীনি হায়না ক্লেইম তৌরিবা মফমশিংনি। য়ু কে লৈবাক্লসু থাও ফংলিবা অন্তার্টিকাগী মফম অসি মখোয়গীনি হায়দুনা চহী কয়াগী মমাঙদগী ক্লেইম তৌদুনা লাকখিবনি। মরম অদুনা থাও লৌথোক্লবগী চত্থরকপা থবক থৌরমশিংদা অচৌবা চয়েৎনবা কয়া লাকপা য়াবগী ফিভম অমদা লাকখিবনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা চহী ১৯৫৯গী অন্তার্টিক এগ্রিমেন্টকী মনুং চন্না ঙসি ফাওবা লম অসিগী মতাংদা চপ চাবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লাকখিবনি। মপুং ওইনা হৌজিক হৌজিক রশিয়াগী সাইন্টিষ্টশিংনা ফংখিবা থাও থোকফম মফম অসিগী মতাংদা য়ুরোপকী লৈবাকশিং অমদি রশিয়াগা চাউনা উংখৎনরকপা য়ানা লৈরে। রশিয়ানসু অন্তার্টিকাগী মফম অসি মখোয়গীনি হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। লোয়নননা থাও ফংলিবা মফম অসিনা মরম ওইরগা চাইনা, রশিয়া অনীগী মরক্তসু উংখৎনরকপা ফাওবা য়াবগী ফিভমদা লৈ হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

## ট্রম্পনা ইলোনবু নোক্লরদুনা মপুন্সিদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইবা ঙম্লোই হায়খ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা নোক্লরদুনা মপূন্সিদা বিলিনিয়র ইলোন মাস্ক য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, দোনাল্ড ট্রম্পকী প্রসিদেন্টকী মীখলদা ইলোন মাস্কনা য়াল্লবা শেনফম কয়া থাদখ্রবা মতুংদা মরুপ ওইদুনা লাকখ্রবসু ট্রম্পনা প্রসিদেন্ট ওইদুনা মখোয় অনী অমেরিকাগী লৈঙাক শাসনদা য়াওরকখিবনি। অদুবু বিগ ব্যুটিফুল বিলদা ইলোননা চাউনা অয়েৎ অপন পীবগা লোয়নননা অমেরিকা পার্টি হায়না খঙনবা অনৌবা পার্টি অমা লিংখৎলকপদগী দোনাল্ড ট্রম্পকী অশাওবগী পনখৈ লৈখিদবনি। মসিনা মরম ওইরগা ট্রম্প অমদি ইলোন মাস্কস অনীগী মরক্তা খম থেংনা য়েক্লবা মীশক অমা হায়বদু ওইরকখিবনি হায়রি।

## ইজরেলনা ৬শুবা জেনরেসনগী মিসাইল ওফর তৌরকখ্রে



তেল অবিব, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

ইন্দিয়াগী য়াম্না থাজনবা মরুপ অমা ওইরিবা ইজরেলনা ৬শুবা জেনরেসনগী তমথিরবা মখলগী ৬শুবা জেনরেসনগী মিসাইল ইন্দিয়াদা ওফর তৌরকখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইজরেলগী দিফেন্স কম্পনি রফাইলনা এদভান্স দিফেন্স সিষ্টেম অসি ইন্দিয়াদা লৈনবা হায়রকখিবনি। ইজরেলগী মিসাইল অসি ফাইটর জেট অমদগী য়েক্লবা লৈবাকশিংদা কাপশিন্দুনা পাক শন্না অমাঙ অতা থোকহনবা ঙম্মী। মিসাইল অসিনা কিলোমিটর ২৫০ লাপ্পা লৈবা টার্গেটশিং থুগায়বা ঙমগনি হায়রি।

## চাইনাগী ফাইটর জেট জে–৩৫এ পাকিষ্টাননা লৈররোই

ইস্লামাবাদ, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

পাকিষ্টানগী আর্মি চীফ জেনরেল অসিম মুনিরনা অমেরিকাগী খোঙচৎ হল্লকখ্রবা মতুংদা চাইনাগী ষ্টিল্থ ফাইটর জেট জে–৩৫ এ লৈররোই হায়না ফোঙদোরকপদগী চাইনাগী লুচিংবশিং অঙকপা ফাওনখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, পাকিষ্টাননা চাইনাগী মতিক ময়াই লৈরবা ষ্টিল্থ ফাইটর জেট জে–৩৫ এ লৈগনি হায়না ৱারী শান্নরম্বনি। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা অসিম মুনিরনা চাইনাগী ফাইটর জেট অদু লৈররোই হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

পাকিষ্টানগী হোংলক্লিবা মওং মতৌ অসিদা চাইনানা খম থেংনা শাওবসু ফাওখ্রে। পাকিষ্টাননা চাইনাগী লানগী খূৎলায়দা থাজবা মাঙখ্রিবা অসি হন্দক ইন্দিয়ানা ওপরেসন সিন্দুর চত্থদুনা মিসাইল কয়া কাপশিনখিবা মতমদা চাইনাগী খূৎলায়শিংনা মায় পাক্লা ঙাকথোকপা ঙমখিদবদগী চাইনাবু পাকিষ্টাননা নাথেরকপনি হায়রি।

## অসিম মুনির পাকিষ্টানগী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরবা য়াই

ইস্লামাবাদ, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

পাকিষ্টানগী আর্মি চীফ অসিম মুনির লৈবাক অসিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা ওইরকপা য়াই হায়না ফোঙদোরকপদগী লৈবাক পূম্বা পুমঙক ঙক্লখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক হৌজিক পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা অসিফ জরদারিবু প্রসিদেন্টকী ফমদগী লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা পাকিষ্টানগী প্রসিদেন্ট অসিম মুনিরনা ওইরকপা য়ানা লৈরে হায়না ঙাংনরকখিবনি।

থৌওং অসি হন্দক প্রসিদেন্ট অসিফ জরদারিনা আর্মি চীফ জেনরেল অসিম মুনিরবু হুন্দুনা ৱা ঙাংলুবদগী প্রাইম মিনিষ্টর সহবাজ সরিফকা লৌতুনরগা প্রসিদেন্ট ফমদগী লৌথোরকপনি হায়নসু ঙাংনরি।

হৌজিক হৌজিক পাকিষ্টানদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা মীওই অসিম মুনিরনা ওইরি। করিগুম্বা মহাক্লা প্রসিদেন্ট ওইরক্লবদি হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা সহবাজ সারিফ ফাওবা মাঙখিবা য়াই হায়রি।

## থিবা খঙদনা লৈরকখিবা লৌমী ১ লাইরেনগী পূকনুংদা য়াওরম্লে

জকার্টা, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

ইন্দোনেসিয়াদা থোকপা য়াম্না অঙকপা থৌদোক অমা ওইনা থিবা খঙদনা লাকখিবা লৌমী অমা লাইরেনগী পূকনুংদা য়াওদুনা লৈরম্লে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না, লৌমী অদু নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী থিবা খঙদ্রে হায়না ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থিরকপদা লাইরেন অমা থেংনখিবনি। লাইরেন অদুনা লৌমী অদু য়োৎলমগদ্রা হায়না চিংনরকপদগী য়েংলুবদা লৌমী অদু লাইরেনগী পূকনুংদা শিনা য়াওরম্বা থেংনখিবনি। ফুট ২৬ লোম শাংবা লাইরেন অদুনা য়োৎলম্বা নুপা অদু চহী ৬৩ রোম শুরে হায়রি।

## ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা রশিয়ানা লান্দাখ্রে

মোস্কো, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

চহী ৩ হেন্না য়ুক্রেন অমদি রশিয়া লৈবাক অনীগী মরক্তা শোক্লদুনা লাকখিবা লানগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা রশিয়াগী লান্মীশিংনা ইষ্টর্ন য়ুক্রেনদা মিসাইল অমদি দ্রোন শীজিন্নদুনা পাক শন্না লান্দারকখ্রে।

এটেক অদুদা য়ুক্রেনগী মীচম ৩ শোকখিবগা লোয়নননা ইনফ্রাষ্ট্রকচর পাক শন্না অমাঙ অতা থোকখ্রে। অমরোমদা য়ুক্রেননা লান্দারকখিবা এটেক অমদসু মোস্কোগী এয়রপোর্টতা পাক শন্না অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নাটোগী চীফ মার্ক রুতেনা মালেমদা ৩শুবা লাঞ্জাও থোক্কনি ফোঙদোকখ্রে



হেগ, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

য়ুক্রেনগা অকনবা মওংদা চহী ৩ হেন্না লান শোক্লদুনা লাক্লিবা রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুতিন অমদি চাইনাগী প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী থৌওং অসিনা মরম ওইরগা মালেমদা ৩শুবা লাঞ্জাও থোক্লবা য়াই হায়না নাটোগী চীফ মার্ক রুতেনা ফোঙদোরকখ্রে।

হৌজিক হৌজিক চাইনা হায়রিবা লৈবাক অসিসু মহাক্কী য়ুমথংনরিবা লৈবাক তাইৱানদা মতম অমদা হেক্তা লান্দানবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরিবনি। করিগুম্বা চাইনানা তাইৱানদা লান্দারবদি অমেরিকানা তাইৱানগী মিচং চংদুনা মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিং মীচং চংনরক্তুনা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরকখিবনি।

করিগুম্বা চাইনানা তাইৱানদা হেক লান্দাখ্রবদি রশিয়ানসু য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা লান্দারকপা হায়বসি শোয়দ্রে। সি জিনপিং অমদি ব্লাদিমির পুতিন অনীগী মরক্তা হৌজিক্তগী হৌনা লানগী ৱারী শান্নবা হৌখ্রে হায়নসু মার্ক রুতেনা ফোঙদোরকখিবনি। অকিবা অসিনা মরম ওইরগা য়ুরোপ্কী লৈবাকশিংদসু লানগী থৌরাং পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

## য়ু এসনা তমথিরবা মখলগী ‘এ আই এম– ১২০ দি’ মিসাইল পাকিষ্টানদা পীরক্লগনি তাবদগী ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং তৌফম খঙখিদ্রে





ৱাশিংটন, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

য়ু এসনা তমথিরবা মখলগী ‘এ আই এম– ১২০ দি’ মিসাইল পাকিষ্টানদা পীরক্লগনি তাবদগী ইন্দিয়াগী লুচিংবশিং তৌফম খঙখিদ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াবদি, পাকিষ্টানগী এয়রফোর্সকী এয়র চীফ মার্সেল জাহির অহম্মদ বাবর সিদ্ধু জুলাই ২দা অমেরিকাদা চৎলুরবা মতুংদা তমথিরবা মখলগী এ আই এম– ১২০দি হায়না খঙনরিবা মিসাইল অসি পাকিষ্টানদা পীরক্লগনি হায়না থাজবা পীরকখিবনি। হন্দক পাকিষ্টাননা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লানগী খূৎলায় লেপ্পা লৈতনা লৈশিন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি মে থাদা ইন্দিয়ানা ওপরেসন সিন্দুর চত্থদুনা অঙকপা মওংদা লান্দাদুনা পাক শন্না মাঙহন তাকহনখিবা অদুদগী মিপাইরকপনা লানগী খূৎলায়শিং অসি লৈশিনবা হৌরকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি চাইনাগী লানগী খূৎলায় মতিক চানা লৈরি হায়না নাপল তৌরম্বা পাকিষ্টাননা ইন্দিয়ানা কাপশিল্লকখিবা মিসাইলশিং চাইনাগী এয়র দিফেন্স সিষ্টেমনসু করিগুম্বা মখল অমত্তগী দিফেন্স তৌবা ঙমখিদবনি। মদুনা মরম ওইরগা পাকিষ্টানগী লুচিংবশিংনা চাইনাগী লানগী খূৎলায়শিংদা থাজবগী চাং হন্থরক্তুনা অমেরিকা, টর্কি অমদি অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংদগী লানগী খূৎলায় লৈনবা থৌরাংলকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, পাকিষ্টানগী আর্মি চীফ জেনরেল অসিম মুনিরনা জেদ–১০ এম ই হায়না খঙনবা হেলিকোপ্টর পাকিষ্টানদা দিপ্লোই তৌবা হৌখ্রে। চাইনাগী লানগী হেলিকোপ্টর জেদ–১০ এম ই লৈরিবা অসি হন্দক ইন্দিয়ানা মতিক ময়াই লৈরবা লানগী হেলিকোপ্টর অপাচে লৈদুনা দিপ্লোই তৌখিবা অদুনা অচৌবা মরম অমা ওইরি। রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না চাইনাগী জেদ–১০ এম ই হায়রিবা হেলিকোপ্টর অসি জেদ–১০ হেলিকোপ্টরগী অনৌবা এদভান্স ওইরবা লানগী খূৎলায় অমনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


## ইন্দোনেসিয়াদা মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী ফ্লাইট সর্ভিসশিং কেন্সেল তৌখ্রে

ইন্দোনেসিয়া, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

ইন্দোনেসিয়াদা মৈগী চীং পোকখায়রকপদগী চাউরাক্লা কিলোমিটর ১৮ লোম পাক শন্না মৈরিক য়াওরবা উফুলশিং পাইথোরকপনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনেল অমদি দোমেষ্টিক ফ্লাইট সার্ভিসশিং কেন্সেল তৌখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা লৈরিবা মমিং লৈরবা আইলেন্দ অমদা লৈবা মৈগী চীং অদু পোকখায়রকখিবনি। মাউন্ট লিওতোবি হায়না খঙনরিবা মৈগী চীং অসি মিটর ১,৫৮৪রোম ৱাংবা চীংনি। মৈগী চীং অসিদা ইতৎ তত্তনা পোকখায়বগী থৌদোক থোক্তুনা লাকখিবনি। ইন্দোনেসিয়াগী জিওলোজি এজেন্সিগী হেদ ওইরিবা মুহম্মদ ৱাফিদনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না য়াম্না তমথিনা পোকখায়রকখিবা অদুদা হৌজিমক্কী ওইনা অশোক অপন অমদি মীশি মীনা য়াওদ্রি হায়রি।

## টেক্সাসকী ঈচাওদা মীওই ৮২ শিখিবদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লবা য়ু এসকী ফর্ষ্ট লেদি মেলানিয়া ট্রম্প মীয়াম্না খম থেংনা শাওনখ্রে





ৱাশিংটন, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা টেক্সাসতা ইখঙ খঙহৌদনা ঈচাও থোক্লকপদগী পীল্লিবা অঙাং ২১ য়াওনা পুন্না মীওই ৮২ রোম শিখিবা অদুগী মতাংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লবা অমেরিকাগী ফর্ষ্ট লেদি মেলানিয়া ট্রম্প লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খম থেংনা শাওনখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না, অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী লোইনবী মেলানিয়া ট্রম্পনা সোসিয়েল মেদিয়াদা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মীনুংশি উত্তুনা মমা মপাশিংদা ঈশ্বরনা থৌনা পীবীবা ওইয়ু হায়না ইখিবনি। অদুবু মেলানিয়াগী ইচম চম্বা ৱাফম অদুদা হান্নদগী দোনাল্ড ট্রম্পকী থবক থৌরমশিংদা পেন্দ্রবা মীয়াম্না অতন্ননা মেলানিয়া ট্রম্পনা মীনুংশিগী থৌজাল উৎলক্লিবা অসি মরম চাদে হায়না ফোঙদোক্লরকখিবনি।

করিগুম্বা মেলানিয়া ট্রম্পনা ঈচাওদা শিখ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইদা তশেংনা নুংশিরম্লগদি সোসিয়েল মেদিয়াদা ফোঙদোরকপগী মহুত্তা মহাক মশামক হকথেংননা লাক্তুনা য়েংশিল্লমগদবনি হায়রি।


## চয়োল ৩দা জপানদা য়ুহা ১,৬০০ হাখ্রে

তোকিও, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

জপানদা হৌখিবা চয়োল ৩গী মনুংদা ময়াই ওইরপ ওইনা কনবা য়ুহা ১,৬০০ লোম হারকপদগী লৈবাক অসিদা করি করম্বা অচৌবা নেচরেল দিজাষ্টর থোক্লক্কদবনো হায়না খম থেংনা মিপাইবা পোক্লখ্রে হায়রি।

য়ুহা ১,৬০০ রোম হাখিবা অদু রিক্টর স্কেল ৫.১ লোম য়ৌনা হাখিবনি। জপানদা য়ুহা কা হেন্না হারকখিবা অমদি মৈগী চীং কয়াসু লেপ্পা লৈতনা পোকখায়রক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা জপান গভর্ণমেন্টনা হাট এলার্ট লাউথোক্তুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে হায়রি।

## হূ চেনবা চেঙ্গুম পীজদুনা মনেম–মকু হাৎলুবা নুপী পূন্সি চুপ্পা চৈরোক ফংলবা য়াই




ওষ্ট্রেলিয়া, জুলাই ০৭ (এজেন্সি) :

মালেমদা থোকপা অঙকপা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মনুং চন্না ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা নুপী অমনা মহাক্কী মনেম, মকু অমদি মচন্নুপীবু হূ চেনবা চেঙ্গুম পীজদুনা হাৎখি হায়বগী খুদম চাংদম ফংবদগী কোর্টনা অথুবা মতমদা মপূন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবা চৈরোক পীরবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, এরিন পেটর্সন হায়রিবা নুপী অসিনা মহাক্কী মনেম, মকু অমদি মচন্নুপীবু হৌখিবা চহী ২০২৩গী জুলাই ২৯দা হূ চেল্লবা চেঙ্গুম অদু থোংদুনা পীজখিবনি। মহাক্লা খায়নরবা মপুরোইবা অদুবুসু নুমিৎ অদুদা চেঙ্গুম চানবগীদমক কৌখিবনি। করিগুম্বা মপুরোইবা অদু লাক্লম্লবদি শিরম্বা য়াই। কেস অসি ২০২৩গী নবেম্বর থাদগী চত্থদুনা লাকখিবনি হায়রি।

## Crossword # 758



Across
1. Strong woody fiber
5. Slipper that has no fitting around the heel
10. Ocean liner?
14. Instrument for an angelo?
15. Spud
16. It's on tap in Mexico
17. Projector's load
18. Give a valedictory, e.g.
19. Dudley Do-Right's girl
20. In control, again
23. Piggery
24. "Ben-___"
25. Rhyme for "stash," appropriately
28. "Get thee ___ nunnery"
31. Fancy bashes
35. Norwegian city
36. Prophetic shrine
38. Muslim or Christian, e.g.
39. Teach
42. English break
43. Between-meal snacks
44. Authors
45. Talus formation
47. Punctured ball sound
48. Leave the trail
49. ___ Z (completely)
51. Uris hero Canaan
52. Spontaneous
61. Ersatz juice
62. 20th-century French painter
63. Object of a brilliant thought
64. Suffix that diminishes
65. Comic DeGeneres
66. A reel problem
67. "Kon-Tiki" author Heyerdahl
68. Martin and Jones
69. Reveille's opposite

Puzzle Grid

Down
1. Zinging remark
2. Kind of rug
3. On ___ (as a gamble)
4. Daytime fare
5. Unemotional
6. Hand wagon
7. The 45th of 50
8. Elaborate party
9. Unspoiled
10. First name on the Supreme Court
11. Far along in life
12. Valueless
13. Buttermilk's rider
21. Suffix with Israel
22. It's supposed to be boring
25. ___ Rica
26. Ghastly pale
27. Conceal, in a way
28. It'a s lock
29. Some are solemn
30. Has sore muscles
32. Biblical pariah
33. Field of action
34. Disrespectful, in a way
36. Noted Japanese-American
37. "___ Girls" (Gene Kelly musical)
40. And ___ grow on
41. Hopeful soul
46. More substantial
48. Heavenly sign for an angel?
50. Rubbed out
51. Service closers
52. "Leave it in," editorially
53. It may be worn in the woods
54. A place ___ itself
55. Fictional piece
56. Kind of hoop or skirt
57. What one isn't?
58. Cartoon character Krabappel
59. Minimal high tide
60. New car necessities

পাউখুম লমায় ৯দা